ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

লামায় ৩

এন সী পি সী আর অমসুং এম সী পি সী আরনা পুন্না শীল্লগা কোন্বেটিং চাইল্ড ত্রাফিকিং পোষ্ট কোভিদ-১৯ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর সোরোখাইবম রাজেননা ৱা ঙাংবা

লিগেল এক্সন লৌদ্রবদি অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইঙ্গল ওইরকপসু য়াই
☛ লামায় ৫

কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

তোঙান-তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে
☛ লামায় ৩

নুমীৎ মঙানি চথগদবা আর্ট এগজিবিসন হৌদোকখ্রে
☛ লামায় ৪

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ১২গী মনুং চন্না লৈবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদা কাউন্সীল অসিগী চেয়রপর্সন ওইরম্বী নাওরেম তরুবীনা নিংথমগী খুদোল ওইনা কম্বল য়েন্থোকখিবা

লামায় ৫

Vol. 44, Issue No. 294 | শগোলশেল, ৱাকচিংগী ৮ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, January 21, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০(ঐচএনএস): ষ্টেটহুদ দে ২০২১না লাকপদা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলা অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি।

গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা য়াইফ-পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা মণিপুর অসি ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইখিবনি। ষ্টেটহুদ দেনা লাকপা অসিদা লমদম অসিবু হেন্না খুম্মাং য়াংশিন্না চাওখৎপা, ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা য়াইফ-পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেটহুদ দে ২০২১না লাকপা অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী ৱাশক লৌদুনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা অমদি চাওখৎপা পুরকপা ওইরসনু।

অঙাংশিংগী ফ্রী হার্ট সর্জরি কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): হিলিং লিটল হার্ট (ঐচ এল ঐচ) য়ুনাইটেদ কিংদম (ইন্দিয়ন ব্রাঞ্চ অমসুং মণিপুর হার্ট ফাউন্দেসন অমদি স্কাই হোস্পিটালনা পুন্না শীন্দুনা অঙাংশিংগী চয়োল অমগী ওইবা ফ্রী চিলদ্রেন হার্ট সর্জরি কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরি।

ফ্রী হার্ট সর্জরি কেম্প অসি চৎলিবা কুমজা অসিগী এপ্রিল ৪দগী হৌরগা ১০ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি। লোয়ননা ফ্রি কেম্প অসিগী রেজিষ্ট্রেসননা হয়েংদগী হৌরগা মথং থাগী ২৭ ফাওবা চত্থগনি। হায়রিবা কেম্প অসিগীদমক খনগৎলবা অঙাংশিংদা ফ্রী ও পি দি অমসুং ফ্রী ইকোগী খুদোংচাবা পীগনি। কেম্প অসিগীদমক দেল্লি অমসুং মুম্বাইদা বেজ তৌবা হিলিং লিটল হার্ট (এস এল ঐচ) গী স্পেসিএলিষ্ট ১০গী টিম অমা এপ্রিল ৩দা ইম্ফালদা থুংলরগনি হায়রি।

লাক্কদৌরিবা স্পেসিএলিষ্টশিংগী টিম অসিগা স্কাই হোস্পিটালগা খূৎশম্নদুনা নুমিৎ ৭নি অসিগী মনুংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: School authority singna anouba academic sessiongi admission process sing Education (S) Departmentna thingkhiba asi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Tha 10 henna Khwairamband Ima Keithel ahum famhal-laktaba asina manipurgi economyda chaona akaiba pire khanbra ?

Yes 75% No 25%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫.৮৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৪.৪৫ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫১

অস! লোইরেহে!

- ময়ামগী অৱাবা য়েংজরগা ঙসিদগী ঐনা নোং চুহনজরে।
- [illegible]



- য়াম্না ফবা থবকনি, থাগৎচরি সার।
- [illegible]

স্কুল ওথোরিটিশিংনা অনৌবা একাদেমীক সেসনগী চথরিবা এদমিসন প্রোসেসশিং থিংজিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী, এদেদ অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংগী স্কুল ওথোরিটিশিংনা অনৌবা একাদেমীক সেসনগীদমক চথরিবা মহৈরোয়শিংগী এদমিসন প্রোসেস খূদিংমক মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা থিংজিনখ্রে।

এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর এল নন্দকুমারনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংগী স্কুল ওথোরিটিশিংনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা অনৌবা একাদেমীক সেসসনগী এদমিসন প্রোসেস খূদিংমক থিংজিনখিবনি। ওর্দর অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা ওইনা কুম্জা ২০২০গী মার্চ ১২দা থোকখিবা ওর্দর অমনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুলশিং লৈঙাক্না থিংদুনা লাকখিবনি। অদুমকপু মণিপুর লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ফিরেপ অমগী মতুংইন্না একাদেমীক সেসন ২০২০গী ওইনা ক্লাস নাইন্দগী টুয়েল্ভ ফাওবা লাক্লিবা ফেব্যুৱারী ২৭তগী হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে। ফিরেপ অসি মহৈরোয়শিং অসিনা মায়োক্লগদৌরিবা প্রমোসন, ঐচ এস এল সী অমসুং ঐচ এস ঈনচিংবা এগজামিনেসনশিংগী শেম-শানবগীদমক্তনি।

চৈরক অসিদা, লৈঙাক্কী ইন্সট্রক্সন থুগায়দুনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা স্কুল খরনা নোটিফিকেসন থোক্লগা ক্লাস খূদিংমক্কী ওইনা অনৌবা একাদেমীক সেসনগী এদমিসন প্রোসেস হৌরে হায়বগী পাউ এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা ফংলে। মরম অসিনা হীরমসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্না চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌদ্রিবা ফাওবদি লৈঙাক্কী, এদেদ অমসুং প্রাইভেট স্কুলশিংগী স্কুল ওথোরিটিশিংনা ক্লাস খূদিংমক্কী ওইনা অনৌবা একাদেমীক সেসনগী চথরিবা এদমিসন প্রোসেসশিং লেপকদবনি। য়াথং অসি ষ্টেট অসিদা য়ুনিফোর্ম ওইবা একাদেমীক সেসন অমা মেন্টেন তৌননবা মীৎয়েং থমদুনা পীবনি। মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডর খূদিংমক্না হায়রিবা ওর্দর অসিবু ঙাক্না চৎননবগীদমক জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর খূদিংমক্না থবক লৌখৎকদবনি। ওর্দর অসিবু ঙাক্না চৎতবশিং তরাইনা লৌরোই হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর থাদগী হৌনা লন্নাই মহৈশঙ খরদদি অনৌবা একাদেমীক সেসনগী এদমিসন প্রোসেস পায়খৎপা হৌনখ্রবনি। হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদসু কেথোলিক স্কুলশিং য়াওনা লন্নাই মহৈশঙ কয়ানা এদমিসনগী প্রোসেসশিং পায়খৎলকখিবনি।

জো বাইদেন য়ু এসকী ৪৬শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী) : য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট জোসেফ আর আর বাইদেন ঙসি লৈবাক অসিগী ৪৬শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

অমেরিকাগী পুৱারীগী খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা তাঙ্কক্তা পাৱর পায়রকখিবা বাইদেননা মীয়ামদা মান্নদবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লদুনা অমত্তা ওইবা ৱাখল-লিংজেলগা লোয়ননা চহীচা অসিগী খ্বাইদগী শাথিরবা পেন্দমিক মায়থিবা পীনবা আপিল তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৭৮ শুরবা বাইদেন য়ু এসকী খ্বাইদগী অহল ওইরবা প্রসিদেন্টনি। মহাক ঙসি নুমীদাং য়ু এসকী সুপ্রীম কোর্টকী চীফ জষ্টিস জে ান রোবার্টসনা ওফিস পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখিবনি। জো বাইদেনগী লোয়নবী সেকেন্দ লেদি জিল বাইদেননা মহাক্কীদমক ফেমিলি বাইবল পায়খি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবা বাইদেননা ‘দিমোক্রেসিনা মায় পাক্লে’ হায়না লাউথোকখি। ঙসি অসি অমেরিকাগী নুমীৎনি। মসি দিমোক্রেসিগী নুমীৎনি। মসি কেন্দিদেট অমনা মায় পাকপগী সেলেব্রেসন নত্তে, তৌইগুম্বসুং দিমোক্রেসিনা মায় পাকপনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

জো বাইদেননা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন অমেরিকান কমলা হেরিসসু য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। হেরিসপু সুপ্রীম কোর্টকী জষ্টিস সোনিয়া সোটোমায়োরনা ওফিস পায়বগী ৱাশক লৌহনখি। হেরিসনা ৱাশক লৌদুনা মহাক্কী মপুরোইবনা বাইবল পায়খি। য়ু এসকী পুৱারীদা হেরিসনা অহানবা নুপী ভাইস প্রসিদেন্টনি, লোয়ননা অহানবা ব্লেক অমসুং এসিয়ন-অমেরিকান ভাইস প্রসিদেন্টনি।

য়ু এসকী ৪৬শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা জো বাইদেননা ৱাশক লৌখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পদি শরুক য়াখিদ্রে। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু পাঙথোক্ক্রিঙৈগী মাঙওইননা দোনাল্ড ত্রম্প হ্বাইট হাউস থাদোক্লুনা ফ্লোরিদাদা চৎখ্রে। দোনাল্ড ত্রম্পনা প্রসিদেন্টকী থবক পায়বগী মতম লোইগদবা পুংজা খরখক্তমক ঙাইরবা মতমদা নমথাক্কী চার্জশিং মায়োক্লরিবা মহাক্কী হান্নগী এদভাইজর ষ্টেভবান্নন য়াওনা মীওই ৭৩গী মথক্তা শীরম্বা মরালশিং ঙাকপীরমখি হায়রি।

চহী নৌরিবী নুপীমচা অমগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মহাক্কী মখুরা কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : মশাগী চহী ১২ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমবু মণিপুরদা পুরক্লগা ইম্ফাল নৎত্রগা মফম অমদা লৈবা স্কুল অমদা মিং চনবীদুনা মহৈ-মশিন তমহনবীগনি হায়দুনা পুরকখিবা মখুরানা থা ৩ চুপ্পা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়বা কেসকী ৱায়েলদা পীক্লিবী নুপীমচা অসিদা চথখিবা থৌওংশিং অদুগীদমক মখুরা অদু মরাল লৈরে হায়দুনা কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে।

কোর্টনা ফাদোক পীখ্রবা মীওই (মখুরা) অদুগী মমিং বাবুল কোল কৌই। মশাগী চহী ৩৯ লোম শুরে। অসামগী সিলচর দিষ্ট্রিক্তকী স্রিগোনা গুল বষ্টিদগী বাবুলাল কোলগী মচানুপানি। হৌজিক্লা মহাক উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কম্ফাসোম তাঙদা লৈবনি হায়রি।

মীওই অসিবু মরালগী মতুংইন্না ফাদোক পীরে হায়দুনা লাউথোকখিবা অদু ঙসি স্পেসল জজ (পোক্সো), উখ্রুলগী চার্জ পুরক্লিবা দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি। কেস অসিগী অরোইবা হিয়রিং থা অসিগী ১৮দা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীওই অসিবু প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

জন্যুৱারী ২৩ অমসুং ২৬কী অয়ুক্তা লম্বীগী চথোক-চৎশিন্দা হান্নদগী অহোংবা লৈগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): জন্যুৱারী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭২শুবা রিপব্লিক দে থৌরমগী ফুল দ্রেস রিহর্সেল জন্যুৱারী ২৩গী অয়ুক্তা পাঙথোক্কদৌরি। ফুল দ্রেস রিহর্সেল অমসুং রিপব্লিক দে থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা জন্যুৱারী ২৩ অমসুং ২৬কী অয়ুক পুং ৬.৩০দগী হৌরগা থৌরম অসি লোইদ্রিবা ফাওবগী ওইনা ইম্ফাল মনুংগী মফম খরগী লম্বীশিংদা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা হান্নদগী অহোংবা খরা লৈগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস খোইস্নাম শর্মানা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা খঙহল্লক্লি।

নোটিফিকেসন অসিনা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ২৩ অমসুং ২৬কী অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদগী অয়ুক পুং ৮ তাবা ফাওবগী ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টনা ইস্যু তৌবা ভেলিদ ওইবা কার পাস পায়বা ভী আই পিশিং অমসুং ইনভাইটিশিং নত্তনা অতোপ্পা গাড়ী অমত্তনা ইম্ফাল মনুংগী অকক্লবা লম্বী খরদা চথোক চৎশিন তৌবা য়ারোই হায়রি। হায়রিবা মফমশিং অদুদি এন ঐচ-২দা লৈবা মোইরাংখোমগী কৃষ্ণ প্রেমি ওইল পম্পকী অৱাং থংবা শরুক, কৈশাম্পাৎতগী খ্বাই বাজার ফাওবা চৎপগী লম্বী, মহারানি থোংদগী দুকানথোং ফাওবগী লম্বী, বাবুথোং কাংচুপ রোদতগী ফ্লাইওভর ফাওবগী লম্বী, খোয়াথোংদগী নোর্থ এ ও সী ফাওবগী লম্বী অমসুং শঞ্জেংথোংদগীনা কংলা ৱেষ্টর্ন গেট অমসুং কৈশাম্পাৎ থোং ফাওবগী লম্বীশিং অসিনি। ভেলিদ ওইবা কার পাস পায়দবা গাড়ীশিংগী ওইনা লম্বী দাইভর্ট তৌগনি হায়রি।

মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক হায়রিবা মতমশিং অসিদা দাইভর্ট তৌগদবা লম্বীশিং অদুদি, ইন্দো-বর্মা রোদকী ওইনা মখারোমদগী অৱাং পাংনা লাকপা গাড়ী খুদিংমক শিংজমৈ থোং অমসুং ন্যু থুম্বুথোংদগী কোংবরোমদা থৈরগা পেলেস কম্পাউন্দদা পার্ক তৌহনগনি। ময়াং ইম্ফাল রোদকী ওইনা মখারোমদগী অৱাং পাংনা লাকপা গাড়ী খুদিংমক কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদগী হান্না কৃষ্ণদাস ওইল পম্প লৈরম্বা মফমলোমদা থৈগনি, ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

বি জে পিদি প্রোপেগন্দাদা চৎপা পার্টিনি : ওক্রম ইবোবী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অসি চীনগা খুৎকা মান্নদবা প্রোপেগন্দাদা চৎপা পার্টিনি। মীয়ামদা মসিগী খুদম উৎতুনা খঙহনবা মথৌ তারে হায়না ঙসি কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিশিংগী অপূনবা মীফমদা শরুক য়াখিবা সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসনা লৈঙাক্লি ঙৈ মতমদা সেন্টরগী কোংগ্রেস লুচিংবশিংদা হায়জরুবদগী কংলাদগী অসাম রাইফলস লৌথোক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামদা কংলা অসি খুৎশিন্নখিবনি। ইম্ফাল-তুপুল-জিরিবাম রেলৱে প্রোজেক্ট অসিসু মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহোননা উরেপ-উয়ুং তমখিবনি। রেলৱে প্রোজেক্ট অসিগী থবকশিং চাদা ৬০-৭০ ফাওবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা লোইশিল্লম্লবনি। হৌজিক্তি প্রোজেক্ট অসি কমদৌখ্রবনো খঙদ্রে। কুমজা ২০২০দা শাবা লোইগনি অমুক হায়, কুমজা ২০২২দা অমুক লোইগনি হায়, মফম মরাং খঙদনা লৈরি। ঙক্লিবদি উরেপ-উয়ুং তমদুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক চথরিবা রেলৱে প্রোজেক্ট অসিগী শরুক ওইরিবা ইম্ফাল রেলৱে ষ্টেসনগী উরেপ-উয়ুং বি জে পিনা তম্বা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা খ্বাইদগী শাংবা টনেলগী উরেপ-উয়ুং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

ইন্দিয়াগী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন খ্বাইদগী মশীং য়াম্না কাপথোক্তবা ষ্টেট মণিপুরনা ওইরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরম থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কোভিদকী ভেকসিন পাকশন্না কাপথোকপগী থবক কন্না চৎথরি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দেটা অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন খ্বাইদগী মশীং য়াম্না কাপথোক্লিবা ষ্টেট অসি মণিপুরনা ওইরি হায়রি।

ইন্দিয়াগী মনুংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন খ্বাইদগী মশিং য়াম্না কাপথোক্লিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মিজোরাম, পুদুচেরি অমদি লক্ষদিপসু য়াওরি। মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দেটা অদুগী মতুংইন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী চাং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেটনা কর্নাটক, ওরিশা, পঞ্জাব, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমদি তেলঙ্গননা ওইরি। নীংশিংবা য়াবদি ষ্টেট অসিদসু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কেস ১৯ খক থেংনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং নোংম-নোংমগী হন্থরকপগা লোয়ননা নৌনা কেস ১৯ খক থেংনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপা ১২ অমসুং নুপী ৭ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৯ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ২, জেনিমসতা ৫, চুড়াচান্দপুরদা ৬, শিজ হোস্পিটালদা ৩ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৩ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

চহী ৩ শুরক্লবা অঙাংগী মমানা মপুরোইবনা মহাকপু ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়দুনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

কোর্টনা থৌদোকসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা পুলিসতা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস) : লমদমসিদা থোকপা নুপী অমসুং অঙাংগী মায়োক্তা চথবা মখল কয়াগী ক্রাইমশিংগী মনুংদা নুপী ওইবীশিংগী ঈকায় খুম্নবা নমদুনা মাঙহনবীখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা থোকখিবনি হায়বা থৌদোক অমদগী পুলিস ষ্টেসন অমদা মীতৈ-পাঙলগী কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না নীকা শোন্দুনা লৈমিন্নরক্লবা মতুং অঙাং নুপা অমা পোক্তুনা চহী ৩ শুরক্লবা মতমদা অঙাংসিগী মমানা মহাকপু মপুরোইবা (অঙাংগী মপা)না মশানা য়ানিংদনা নমদুনা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়দুনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লে।

মণিপুরগী থৌদোকশিংগী মনুংদা পুম্নৌ নৌবা থৌদোক অমা ওইরবা ৱাকৎ অসি অঙাং নুপামচা অসিগী মমানা স্পেসল জজ (পোক্সো), থৌবালগী কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবনি। কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট ওইরিবীনা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসি ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্যামগৈ অৱাং লৈকায়দগী এম দি সবির অহম্মদ (২৫), অপোকপা এম দি নাজির আলিগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

কমপ্লেনেন্টনা কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অসিদা এক্যুইজ নি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা মপুরোইবা অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩৭৬, ৪১৭ অমসুং ৫০৬ অমদি প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন- ৪গী মখাদা ফংফম থোকপা চৈরাকশিং ফংহনবীয়ু হায়রি।

কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবা কমপ্লেনেন্টকী পিটিসনগী মতুংইন্না মহাক্কী স্কুল এদমিসন রেজিষ্টরগী মতুংইন্না পোকপগী মতম এপ্রিল ৩, ২০০২নি হায়রি। অদুগা মহাকপু ঈকায় খুম্নবা নমদুনা মাঙহনবীখি হায়রিবা থৌদোক অসিনা ঙসিদগী চহী ৪ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৭কী মার্চ থাদগী হৌরগা মখা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়নবগী মরম শুক্লে লৈতে : প্রিপাক

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ : ইরমদম কংলৈপাক্না কৈদৌনুংদা ইন্দিয়াগী শরুক অমখক ওইরকখিদে, মসি হৌখিবা পুৱারীনা খুদম ওইদুনা লৈরি। মরম অদুনা কংলৈপাক্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমনি হায়নবগী মরম শুক্লে লৈতে হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জন্যুৱারী ২১দা কংলৈপাকনা ইন্দিয়াগী ১৯শুবা ষ্টেট ওইখিবগী ৪৯শুবা থৌরম পাঙথোক্লবা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌরিবা অসিদা ইরৈচাশিংনা শরুক য়াফম থোক্তে। থৌরম অসি লমদমসিগী মীয়াম্বু মালেমগী মাঙদা মীখা পোল্লবা লোয়লমনি হায়না মশক তাকপা নত্তনা অতৈ থোইদোকপা মরম লৈতে।

কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১গী নমথাক্কী মর্জর এগ্রিমেন্ট অদুনা কংলৈপাক ষ্টেটকী এদমিনিষ্ট্রেসন দোমিনিয়ন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওথোরিটি মখাদা নম্ফুদা লৈহনখি। নমথাক্কী এগ্রিমেন্ট অসিনা মরম ওইরগা কংলৈপাক ষ্টেটকী গভর্ণান্স অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসনগা মরী লৈননা মপুং ফাবা ওথোরিটি, জুরিসদিক্সন অমসুং পাৱর পুম্বা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নম্ফুদা শীজিন্নখি। ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯গী কংলৈপাক এদমিনিষ্ট্রেসন ওর্দর শীজিন্নদুনা কংলৈপাক নেসনল এসেমব্লী অমসুং কংলৈপাক পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট মুখৎতুনা লমদমসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন ইন্দিয়া লৈঙাক্না লৌশিনখি। কংলৈপাকপু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী ইন্দিয়াগী চীফ কম্মিস্নার অমগী মখাদা লৈঙাকপা টেরিটোরি অমা ওইনা থমখি। মসিদগী কংলৈ লৈঙাক্কী সোভরেন ওথোরিটি অমদি জুরিসদিক্সন শীজিন্নবা য়াহনখিদে, ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯ দগীদি কংলৈপাকপু ইন্দিয়া লৈঙাক্না খুদুম চনশিন্দুনা ঙসি ফাওবা লাকখি।

চীফ কম্মিস্নার অমগী মখাদা থমজিল্লম্বা ইরমদম অসিবু দি য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ (লোস) এক্ট, ১৯৫০ (এক্ট নম্বর ৩০, এপ্রিল ১৫, ১৯৫০) না পার্ট সী ষ্টেটকী থাক্তা থমখি অমদি ইন্দিয়াগী লোশিং কংলৈপাক্তা চৎনহনবা হৌখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী লোশিংসু কংলৈ মীয়ামদা নমদুনা ইলহনবা হৌখি। দি কনষ্টিট্যুট সেভেন্থ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ১৯৫৬কী মতুংইন্না কংলৈপাক টেরিটোরিএল কাউন্সীল শেমদুনা কংলৈপাকপু ইন্দিয়াগী চীফ কম্মিস্নার অমগী মখাদা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইনা থমখি। টেরিটোরিএল ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

[illegible] LOAN AVAILABLE

VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
GOLD MORTGAGE

- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
Imphal East | Imphal West | Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/6690/10th Jan. to 9th Feb.